ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৯৩শুবা মশীং

# ত্রাফিক্কী কাঙলোন

### কনাগুম্বা অমনা থৌশাদবদগী অতোপ্পা মীওইশিংদা খুদোংথিবা মায়োক্লুহল্লি

মতমগী অওনবা মতুংইন্না মালেমদা হৌজিক গাড়ীগী মশীং অঙকপা ফংনা হেনগৎলে। ইন্দিয়াগী ওইনসু গাড়ী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা অশি-অনা অমদি অশোক-অপন থোকপগী চাং অসুম-অসুম ৱাংখৎলকপগী ফীভমদা লৈরি। তোঙান-তোঙানবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা থোকপা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা চহী খূদিংগী চাউরাক্না মীওই লাখ ১গী মথক্তা শিরি। মালেমগী ওইনা য়েংবদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মী শিবগী চাং হন্থরক্লবসু ইন্দিয়াদদি হেনগৎলকপগী মওং অমা উরিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি ত্রাফিক্কী কাঙলোন মপুং ফানা চৎনহন্দবগা লোয়ননা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তৌদনা গাড়ীগী মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপদগীনি হায়নসু পান্নরি। ইন্দিয়াগী ওইনা এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিরিবা অসি মোটোর সাইক্লিষ্টশিংনি। মথংদা খ্বাইদগী য়াম্না শিরিবনা খোঙনা চৎপা মীওইশিং, সাইকল থৌবশিং অমসুং গাড়ী থৌবা নত্তবা গাড়ীদা তোংবা মীওইশিংনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি লৈবাক অসিগী রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং গাড়ীগী দিজাইন তৌবদা গাড়ী থৌরিবা মীওই অদুখক্তবু খুদোংথিবা থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপননি হায়না দি লেন্সেট কৌবা মেগাজিন অমনা ফোঙখিবা রিপোর্টতসু পনখ্রে। লম্বী খূদিংমক্তা সাইকল থৌবশিং, খোঙনা চৎলিবশিং অমসুং গাড়ী থৌরিবশিংগী তোঙান-তোঙানবা মফম নীংথিনা দিমার্কেসন তৌদুনা থম্বীবা তঙাইফদে হায়নসু অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্নরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা লম্বীগী খুদোংথিবা মায়োক্লবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর, জম্মু এন্দ কাশ্মির, পঞ্জাব, হরিয়ানা, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, কর্নাটাকা, তামিল নাদু অমসুং ঝরখন্দ য়াওরি। নাকল অমরোমদনা, নোংম-নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লিবা গাড়ীশিংগী খাম্ফম লৈতবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ত্রান্সপোর্ট রিছার্স ৱিংনা হন্দক্তা পুথোকখিবা রোদ এক্সিদেন্টস ইন ইন্দিয়া ২০১৯গী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়া পুম্বদা রোদ এক্সিদেন্ট ৪,৬৪,৯১০ থোক্তুনা মীওই ১,৪৭,৯১৩ শিহনখি। কুমজা ২০১৮দনা এক্সিদেন্ট ৪,৬৭,০৪৪ থোক্তুনা মীওই ১,৫১,৪১৭ শিহনখি। অদুগা কুমজা ২০১৯দনা এক্সিদেন্ট ৪,৪৯,০০২ থোক্তুনা মীওই ১,৫১,১১৩ শিহনখি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনা কুমজা ২০১৯দা এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থোকখিবা অসি অসামদনি। অসামগী হেক মথংদা মণিপুরদনা এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী য়াম্না থোকখি। কুমজা ২০১৯দা মণিপুরদা এক্সিদেন্ট ৬৭২ থোক্তুনা মীওই ১৫৬ শিখি হায়নসু রিপোর্ট অসিদা পল্লি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভলপমেন্টনা সিটি পুম্নমক মওং তানা শেমগৎনবগী মতাংদা পায়খৎখিবা জৱাহরলাল নেহরু নেসনল অর্বান রিন্যুএল মিসনগী মতুংইন্না সিটি খূদিংমক্তা মতিক চাবা পার্কিং পোলিসী চৎনহনগদবনি। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন নৎত্রগা সিটি দিভলপমেন্ট ওথোরিটিশিংনা গাড়ী খাম্ফম মতিক চানা লৈহন্নবগী থৌদাং লৌরবসু মীয়ামদা পার্কিং রুল ঙাক্না চৎহনবগী থৌদাংদি ত্রাফিক পুলিসনা লৌরি। মোটোর ভেহিকল এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লম্বীদা থৌরিবা গাড়ীশিংদা অপনবা পীগদবা মওংদা গাড়ী খামজিনবা য়াদে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু রোদ সেফ্‌টি মন্থ ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মোইরাংখোমদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট রোদ ত্রান্সপোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা রোদ সেফ্‌টি মন্থ হৌদোকপগী থৌরমদা ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনসু মীয়াম্না রোদ সেফ্‌টিগী গাইদলাইনশিং ঙাক্না চৎপীয়ু হায়না আপিল তৌখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু মীয়ামদা রোদ সেফ্‌টিগী এৱ্যের্নেস পীবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কদৌরি। অনৌবা চহী অসি হৌরকপা থা ১ ফাদ্রিঙৈদা তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা রোদ এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ২০ লোম লৈখিদ্রে। এক্সিদেন্ট থোক্কনি হায়বসি কনানসু মাঙজৌননা খঙবা নত্তে। অদুমকপু কনাগুম্বা অমনা ত্রাফিক্কী কাঙলোন থৌশাদবদগী অতোপ্পা মীওইশিংদা খুদোংথিবা মায়োক্লুহল্লি হায়বসিদি মতম পুম্নমক্তা কাউহন্নিংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?

২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?

৪) ‘‘শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল’ হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো?

৫) ‘‘হিজন হিরাউ’’ হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থল্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# আই আই টি মদ্রাজগী প্লাষ্টিকপু অকোয়বগী ফীভমদা শোকহন্দনা তুমহনবগী পাম্বৈ

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম

ময়াম্না তেফ্লোন হায়রগা খঙনবা পোলিতেত্রাফ্লো-রোইথাইলিন (পি টি এফ ঈ) হায়বসি কেমিকেল রিএক্সন থোক্কন্দবা খুৎশেমগী পোলিমর অমনি। এসিদ, বেজ অমসুং অৱাংবা তেম্পেরেচরদা ফীভম কায়দনা লৈবা ঙম্বা অমসুং চীঞ্জাক্লচিংবা নপশিন্দবনা, মসিবু খাংগুম্বা চাকখুমগী পোৎলমশিং শাবা, য়াম্না রিএক্তিভ ওইবা কেমিকেলশিং হাপ্পবা পাত্রশিং শাবদা শীজিন্নৈ। তেফ্লোনগী অসিগুম্বা মগুনশিং অসি কার্বন-ফ্লোরিন বোন্দনা থোকহনবনি। নানবগী মগুন চেনবনা, ফ্রিক্সন হন্থহল্লি; অদুনা মেছিনগী পার্টশিং শারগা এনর্জি য়াম্না চাহন্দবা ঙম্মী। অসুক য়াম্না কান্নখ্রবা পোৎশক অসিনা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বদি থোকহল্লি; অদুনা মীওইবগী হকচাংদা অমাং-অতা কয়া থোকহল্লি। অদুনা মখোয়সিবু অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবা মওংদা থুগাইবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। তেফ্লোনবু অকোয়বগী ফীভমদা কায়হন্দবা মওংদা থুগাইবগী পাম্বৈ অমা আই আই টি মদ্রাজগী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোকপা ঙমখ্রে। মখোয়না তেফ্লোনবু মীয়াম্না তোয়না শীজিন্নরিবা ধাতুশিং অমসুং কার্বোনহায়দ্রেট য়াওরবা ঈশিংদা তুমহন্দুনা নানোপ্লাষ্টিকশিংদা ওন্থোকপনি। মসিগী পাউদম অমা ‘এ সী এস সষ্টেনেবল কেমিষ্ট্রি এন্দ এঞ্জিনিয়রিং’দা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অহুমগী মমাঙদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মদ্রাজগী থিজিনবগী লূপ অমনা শাবগী চাংদা সেলসিয়স দিগ্রী ৭০ য়ৌরকপা মতমদা গ্লুকোজগী সোলুসন অমনা লুপা (সিলভর)বু তুমহনবা থেংনখি। হৌজিক্লা থিজিন লূপতুনা মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা ইরায় লায়না তুমহনবা ঙমদবা তেফ্লোন (পি টি এফ ঈ)বু অতোপ্পা গ্লুকোজগী সোলুসন অমনা তুমহনবা ঙল্লে হায়রি। মখোয়গী সোলুসন অসি ঈশিংদা পার্টস পর মিলিয়ন (পি পি এম) ১,০০০গী চাংদা চাওবা গ্লুকোজ অমসুং ধাতুগী আইওনশিং য়াওবা মহী অমনি। মখোয়না সোলুসন অসিবু সেলসিয়স দিগ্রী ৭০দা শাহল্লগা নুমিৎ ১৫ নি চাং নাইনা ওৎলগা তেফ্লোনবু তুমহনবনি। মসিগা মান্নবা থৌওংগী মতেংনা মীয়াম্না পাম্না শীজিন্নরিবা পোলিপ্রোপাইলিন নৎত্রগা পোলিপ্রোপিন হায়রিবা অসিবুসু তুমহনবা ঙম্মী হায়বগী মতাংদা পাউদমদুদা পল্লি।



তেফ্লোন তৈশিল্লবা চাকশংগী পোৎলম খরা



প্রোফেসর থরাপিল প্রদীপ (লেপ্পিবা) অমসুং অভিজিত নাগ

থিজিন লূপতুনা তেফ্লোন তৈশিল্লবা মেগ্নেটিক ষ্টাইরর শীজিন্নরগা, সনাগী অপাবা মরোল (গোল্ড ফোইল) য়াওবা গ্লাসকী বিকর অমদা ঈশিংগা গ্লুকোজগা য়ানশিন্নবা মহী অমা হাপ্পগা নুমিৎ কয়ানিমুক হন্ন-হন্না ওৎলম্মী। প্রোফেসর থরাপিল প্রদীপনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, নুমিৎ খরনিগী মতুংদা মহীদুগী মমাইদা ঙাংনা লংনা ঙানবা অপীকপা মকুপশিং তাউরকপা উরম্মী। থিজিনবসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা মখোয়না সনাদুবু গ্লুকোজনা তুমহনবসু থেংনরম্মী। থৌওংসিমক অতোপ্পা চিনিশিং শীজিন্নবদসু থেংনরম্মী। মখোয়না অহানবদা অরংবা মকুপশিংদুদা সনা য়াওরমগনি হায়না খনখি; মদুমক অচুম্বা ওইরম্মী। অদুবু অঙকপা অমা ওইনা অকুপ্পা মকুপশিংদুদা ফ্লোরোকার্বন পোলিমরসু য়াওরম্বা থেংনরম্মী।



তেফ্লোন তৈশিল্লবা মেগ্নেটিক পেলেটকা লোয়ননা গ্লুকোজ য়াওবা ঈশিংদা কোরিগী মকুপশিং থাদরগা ওৎপদা পোলিমর মচেৎশিং তাউখৎলকপা (মথক্তগী উবা শক্তম)

থিজিন লুপতুনা তেফ্লোনগী মওং-মতৌদু পেলেট, টেম অমসুং প্লেটশিংগী মওংদা শেমদোক্লগা চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মসিগী মতুংদা তেফ্লোন্না শাবা বিকর অমদা তোঙান তোঙানবা ধাতুশিং হাপ্লগা অমুক হন্না চাংয়েংশিং পাংথোকখি। চাংয়েংশিংদুদা চপ মান্নবা মহয়শিং ফংলম্মী। তৌবতদি কোরি, লুপা অমসুং য়োৎ শীজিন্নবা মতমদদি ঙাংনা লংবা মকুপশিং শেল্লকপা থেংনরমদে। মখা তারকপদা থিজিন লূপসিনা ত্রাইবোইলেক্ত্রিক দিগ্রেদেসনগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা পি টি এফ ঈবু মোলিক্যুলশিংদা থুগায়বা ঙমগনি হায়না খনবা হৌরকখি। অদুনা ঈশিংদা পোলিমরদুবু ওৎলিঙৈ মনুংদা তেফ্লোন অমসুং ঈশিংগী ইন্টরফেসতা ইলেক্ত্রিক পোটেন্সিএল অমা পুথোকই। ঈশিংদা হাপ্লিবা গ্লুকোজদুনা অহানবদা ধাতুগী লৈমায়দগী আইওনশিংদু লৌথোকপা থেংনরম্মী। পি টি এফ ঈ তৈশিল্লবা মেগ্নেটিক পেলেটশিংবু উংবা মতমদা, পেলেটশিংদুনা ত্রাইবোইলেক্ত্রিক চার্জশিং থোরক্লম্মী। চার্জশিংদু নেগেটিভ চার্জশিং ওইরম্মী। পি টি এফ ঈগী নেগেটিভ চার্জশিংনা আইওনশিংদু চিংশিল্লম্মী। মসিনা ধাতু অমসুং পোলিমরগী বোন্দ শেল্লক্তুনা কার্বন-কার্বন বোন্দশিংদু কায়রক্লম্মী। অসুম্না পি টি এফ ঈনা মোলিক্যুলশিংদা কায়থরক্লম্মী।

ওৎপগী থবক্তু তৌদ্রবা, গ্লুকোজ নৎত্রগা ধাতুগী আইওনশিং য়াওদ্রবদি পি টি এফ ঈনা কায়থরকপা ঙল্লমদে। রুম তেম্পেরেচরদা চাংয়েংসি পাঙথোকপা মতমদা কায়থরকপগী চাং নেম্লম্মী। আই আই টি মদ্রাজগী অভিজিত নাগনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না ত্রাইবোইলেক্ত্রিক্কী পাম্বৈনা কায়থহনবগী চাংসি ঈশিংদা তুমহল্লিবা গ্লুকোজগী চাংগী মখা পোল্লি। গ্লুকোজগী চাং হেনগৎপা মতমদা ধাতুগী আইওনশিং য়াম্না শেল্লক্তুনা পী টি এফ ঈগা থেংনবগী চাং হেনগৎলকই। অদুনা পি টি এফ ঈ কায়থরকপগী চাংসু ৱাংই। থিজিন লূপসিনা পোলিইথাইলিন অমসুং পোলিইথাইলিন তেরেপথালেট (পি ঈ টি)দা চাংয়েং পাঙথোকপদসু চপ মান্নবা মহয় ফংবা ঙল্লম্মী। অদুমকপু, অপীবা গ্লুকোজগী চাং অমদা, পি টি এফ ঈগা চাংদম্নবদা ত্রাইবোইলেক্ত্রিক চার্জ থাদোরকপগী চাং হন্থবনা রিএক্সন্দি তপ্না থোক্লম্মী। অসিগুম্বা থৌওংসি তেফ্লোন তৈশিল্লবা পাত্রশিংদা চীঞ্জাক শেম-শাবা মতমদা থোক্তুনা মাইক্রো অমসুং নানোপ্লাষ্টিকশিং থাদোক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ হায়রি। ত্রাইবোইলেক্ত্রিক্কী পাম্বৈনা পি টি এফ ঈ থুগায়বগী থৌওংসি মহৌশানা সমুদ্রগী ঈশিংদসু থোক্লমগনি মরমদি সমুদ্রগী ঈশিংদা ধাতুগী আইওনশিং য়াওই অদুগা ঈশিংগী ঈথক্লা ওৎপগী থবকসু তৌই। মরম অসিনা সমুদ্রগী ঈশিংদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরকপগী মরম অমসু ওইগনি হায়না প্রদীপনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

# মণিপুর স্পোর্টস পোলিসি

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মণিপুর অসি শান্ন-খোৎনবদা থৱায় হকচাং য়াওনা পামজবা নুপা-নুপীনা খুন্দাবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মশান্না কয়ামুক লৈজৈ। অদুবু বৃটিশনা মণিপুরদা লৈঙাকপা মতমদা নোংচুপলোমগী মশান্নশিং তপ্না তপ্না পুশিল্লকখি। অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌবগুম্না মণিপুরদসু ষ্টেট অসিগী স্পোর্টস পোলিসি অমা লৈজরে।

১) কুমজা ১৯৯২দগী মণিপুর ষ্টেটকী স্পোর্টস পোলিসি চৎনবা হৌখি। পোলিসি অসিগী মরু ওইবা ওবজেক্তিভ হায়বদি মরু ওইবা হীরমদি (ক) শান্নফম মতিক চানা লৈগদবনি। শান্নফমশিং অসি মফম চাবা মফমশিংদা থমদুনা মায়কৈ খুদিংমক্তগী শান্নরোয়শিংনা মফম অদু লায়না য়ৌবা ঙম্বা মফমদা থম্বীগদবনি।

(খ) শান্নবদা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈশিংবা নুপামচা নুপীমচাশিংবু মপূক্লিং থৌগৎপীদুনা লমজিংবীগদবনি।

(গ) মখোয়না মায়োক্লবা টিমশিংবু অমদি মায়োক্লবা লম্বাবু মায়থীবা পীবা ঙম্বা অফবা শান্নরোয় পুথোকপীগদবনি।

(ঘ) কুমজা ১৯৮৬ তা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি অমা শেমখি মদুদা শান্ন-খোৎনবগী হীরম অসি লাইরিক লাইশু তম্বগী হীরমশিংগী মনুংদা অমা ওইহনখি। অদুবু থবক অসিদি কুমজা ১৯৯১দা হৌখি। অদুবু ওবজেক্তিভ অদু নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমখিদে।

(ঙ) কুমজা ২০০৩গী ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিদা মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগা ষ্টেট লেভেল স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগা অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগা পূন্না চৎমিন্নদুনা মশান্না কয়াদা লম্বা তৌনবদা মকোক ওইবা ঙম্নবা হোৎনহনগদবনি হায়বা পোইন্টশিং য়াওরি। মতাং অসিদা ঐখোয়না মণিপুর মচাগা চান্নগদবা মশান্নশিং খন্দোক্লগা, মশান্নশিং অদুদা খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়বা য়াওরি। পোলিসি অসিদা লমদম অসিগী মহৈ তম্ফমশিংদা হায়বদি স্কুল, কোলেজশিংদা গেমস এন্দ স্পোর্টস চাওখৎনবা হেন্না ফগৎনবা হোৎনগদবনি হায়বা য়াওরি।

(চ) কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুরদা নেসনল গেমস পাঙথোকখিবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা ইন্টরনেসনল থাক্কী অচৌবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা শাদুনা লৈখ্রে। কমপ্লেক্স অসিদা মিটর ৪০০গী লমজেল চেনফম ত্রেক য়াওবা অচৌবা ষ্টেদিয়ম অমা লৈরে। মসিদা ফুটবোল শান্নফম অমগা লমজেল চেনফম ত্রেক অমগা এথলেটিক্সকী ফিল্ড ইভেন্টশিং হায়বদি নুঙ লংফম, তা লংফম, দিস্কস অমসুং হেম্মর লংফম অমদি লোঙজম্প, ত্রিপল জম্প, হায়জম্প, পোলভোল্ট চোংফমশিং লৈরি। কমপ্লেক্স অসিদা ষ্টেদিয়ম অসিখক্তমক নত্তনা হোকীগী টর্ফ থাবা তোঙানবা ষ্টেদিয়ম, সাইকল লমজেল তান্নফম ভেলেদ্রোম অমদি জিম্নাষ্টিক্স, সেপাক তাক্রৌ, টেবল টেনিস, বোক্সিং, রেষ্টলিং, ফেন্সিং, অরূম্বা থাঙ্গৎফম, স্বিমিং পুলনচিংবা মখল মখাগী শান্নফমশিং লৈরি। মফম অমত্তদা পূন্না মখল কয়াগী হায়বদি মশান্না কয়াগী শান্নফম লৈবা অসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা লৈতে। খুমন লম্পাক্কুম্বা মফম খরা খত্তদা লৈবা খত্তনি। খুমন লম্পাক্কী শান্নফমশিং অসিদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা অয়ূক্তা কোচিং অমসুং ত্রেনিং পাঙথোকই। থৌরম অসি অয়ূক্তা খক্তমক পাঙথোক্তুনা ইম্ফাল অমসুং অথাপ-অথাপ্পা লমদগী শান্নরোয়শিংনা কোচিংদা শরুক য়াবা লাকই।

হৌজিক লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমদি খুঙ্গংশিংদা শান্নবুং কয়ামুক শেমগৎতুনা শান্নরোয়শিংবু খুদোংচাবা কয়ামুক পীবীনবা হোৎনরি। শান্নফম শেম্বদা লৈঙাক্না শেল কা হেন্না চঙহন্দনবা হোৎনৈ। মরম অদুনা শান্নফমশিং শেমগৎপা মতমদা অমুক্তদা পুল্লপ শেমদে, মচেৎ মচেৎ ফেজ নাইনা শেমগৎলি।

মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবদা খুমাঙ হেন্না চাওশিন্নবা হোৎনরিবশিং অসি অয়াম্বদি ক্লবশিংগা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা ক্লব কলচর অমা থমগদবনি। মরমদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা শান্নবগী অশিল অরাং অসি এসোসিএসন্না তৌই। খুদম ওইনা মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না ষ্টেট অসিগী ফুটবোল শান্নবগী অশিল অরাং তৌবগী খ্বাইদগী চাউবা লূপনি। মতৌ অসুম্না মণিপুর হোকি এসোসিএসন্না হোকি শান্নবগী অশিল অরাং তৌই। এথলেটিক্স এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা এথলেটিক্সকী হায়বদি লমজেল চেনবা, লোংজম্প চোংবা, নুঙ লংবা, তা লংবনচিংবা মশান্নশিং অসিগী অশিল অরাংনি।

চহী নৌরিবা নুপামচা, নুপীমচাশিংগী মরক্তা শান্ন-খোৎনবদা হৈশিংবা শান্নরোয়শিংবু খনগৎতুনা মখোয়বু অফবা কোচশিংগী মখাদা তাকপী তম্বীগদবনি। মসিনা মখোয়বু মমীং লৈবা শান্নরোয় অমা ওইহনবা ঙমগনি। মসি ষ্টেট পূম্বগী ওইনা পাঙথোক্কদবনি।

শান্নবগা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগা পূন্না অঙাংশিংদা তম্বীগদবনি। মখোয়দা শান্নফম অমদি শান্নবগী ত্রেনিং তৌবগী মচাকশিং পীবিগদবনি। মরম অসিনা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজাশিং স্কুলশিংদা থম্বীগদবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা স্কুলগী থাক ফাওবা শান্ন-খোৎনবগী অশিল অরাং তৌই। দিপার্টমেন্ট অসিনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী মশান্না কয়াদা অথোই অহেন তান্নহল্লি। দিষ্ট্রিক্টতগী খনগৎলকপা অফবা শান্নরোয়শিং অদু অমুক মণিপুরগী হায়বদি ষ্টেটকী থাক্তা অথোই অহেন তান্নহল্লি। দিপার্টমেন্ট অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা শান্নবগী দিসিপ্লিন কয়াগী স্পোর্টস এসোসিএসনশিংদা খুদোংচাবা কয়ামুক পীবিরি। মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়াবা শান্নরোয়শিংগী চৎথোক চৎশিন ভারা অমদি খোঙচৎ অদুগী চান-থক্লবা শেনফমসু পীবিরি। অদুবু শেনফমশিং অসি শান্নবা চৎলুবা হল্লক্লবা মতুংদা চে-চাংশিং স্পোর্টস দিপার্টমেন্টদা লানখৎলগা পীরক্কদবনি। মরম অদুনা শান্নবগী এসোসিএসনশিংনা চঙলিবা শেনফম অদু হান্না পুথোকই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মশান্না কয়াগী স্পোর্টস এসোসিএসনশিং অসি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা নত্তে অদুবু লৈঙাক্কী মতেং য়াম্না পীরি। ক্লব অমদি স্কুলশিংনা পাম্বা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী হায়বদি তোঙানবা দিসিপ্লিনগী কোচশিং ঐখোয়না দিপার্টমেন্টদা হায়জরগা মখোয়গী মতেং পাংদুনা কোচশিং থাবীরকই।

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন অমসুং ষ্টেট লেভেল স্পোর্টস এসোসিএসনশিংনা অফবা টেলেন্ট লৈবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা অফবা কোচশিংদা তাকহন্দুনা থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয়শিং পুথোকপীগদবনি।

স্পোর্টস অমসুং ফিজিকেল এদ্যুকেসন অনীমক অসি ঐখোয়না মহৈ তম্বদা য়াওহল্লিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। মহৈ তম্ফম খুদিংমক্তা শান্নবুং অমদি হকচাং শাজেল নৎত্রগা শান্নবগা মরী লৈনবা মপোৎ মচৈশিং থম্বীগদবনি। খুদম ওইনা ঐখোয়না লমদম অসিদা লৈরিবা স্কুল কয়ামুক শান্নফম লৈতবা, শান্নবগী ওজা লৈতবা, শান্ন-খোৎনবদা পূক্লিং চঙদবা কয়ামুক উবা ফংলি। মসি অরানবা খোঙথাং অমনি।

মণিপুরগী লৈঙাক্না নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মায় পাকপা শান্নরোয়শিংদা মপূক্লিং থৌগৎপা ওইনা স্কোলরশিপনচিংবা পীবিরিবা অসি থাগৎনীংঙাই ওই। মসিগী মথক্তা মখোয়বু থবক চঙবদা খুদোংচাবা পীবিরি। খুদম ওইনা ইন্দিয়ন রেলৱেজ, এয়র লাইন, বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স, সী আর পি এফ, ইন্দিয়ন আর্মিনচিংবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় কয়ামুক থবক তৌরি। মেদিকেল তম্বদা শান্নরোয়শিংগী ক্বোটা পীরি। মসিদা নত্তনা অফবা শান্নবগী ওজাশিংসু হায়বদি কোচশিংসু লৈঙাক্না ইকায়খুম্নবা পীবিরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্পোর্টস এসোসিএসনশিংনা মশা মশাগী টুর্নামেন্ট অমদি স্পোর্টস মীট পাঙথোকই। মদুদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিংবু নেসনল থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াহল্লি। তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ফেদরেসনশিংনা চহীগী কেলেন্দর অমা লৈজৈ, কেলেন্দর অদুগী মতুংইন্না ষ্টেট চেম্পিয়ন অমসুং নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকই। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী তোঙানবা কেলেন্দর লৈবগুম্না বাস্কেটবোল, ক্রিকেট, এথলেটিক্স, স্বিমিংনচিংবগীসু তোঙানবা কেলেন্দর লৈজৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।